অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসনগী মতম শাংনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরম্বা ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা থা অসিগী ২২ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ইনাওচা লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসন অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লূপ পুন্নমক্লা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা ঙসি অয়ুক ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। মিনট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা ওর্গনাইজেসন অসিগী থবক তৌরম্বা মীওই অসিনা তৌরম্বশিং শীংথাবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

য়াইফ-পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): খৃষ্টমাসনা লাকপদা য়াইফ-পাউজেল পীরি হায়না নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ঈ আই দি পি) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খৃষ্টমাস কুম্মৌনা লাকপদা মণিপুরদা নুংশি-চান্নবা, ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু। কাঙলুপ কয়ানা নুংশি-চান্ননা খুন্দারিবা লমদম অসিদা খৃষ্টমাস কুম্মৌনা লাকপদা অমুক হেন্না নুংশিনবা পুরকপা লোয়ননা লিংজেল মান্নবা অমদি অপূনবা মণিপুর অমগীদমক পুকচেল শেংনা থৌদাং লৌমিন্নসি। খৃষ্টমাস কুম্মৈ নুংঙাই-য়াইফনা পাঙথোকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সলাম মমাঙ লৈকায়দা লৈবা খুম্বোংময়ুম বিনোগী শঙ্গাইদা নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা অমদি সলাম মমাঙ লৈকায় চাউখৎ-খোঙথাং অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিনোনা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না নিম্পালগী সেক্রেটরি জেনরেল শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীফম অসি কুপ্না খন্ন-নৈনদুনা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। থৌদোক-ৱাথোক কয়া অমা, লৈবাক্কী ইস্যু ঈশিং-ঈচাউগুম্না লাক্লিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাকনচিংবা অসি কনমিন্ননবা অমত্তা ওইনা পুনশিনমিন্নবা তঙাইফদ্রে। কনমিন্নদবা য়াদবগী তাঞ্জা লাকপনা সলাম মমাঙ লৈকায় চাউখৎ-খোঙথাং অপূনবা নুপী লূপ অসি নিম্পালগী মশা লোয়শঙ ওইরে। নিম্পালনা চঙশিল্লকপা থবক থৌরম অমদি লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা সলাম মমাঙ লৈকায় চাউখৎ খোঙথাং অপূনবা নুপী লূপকা অমত্তা ওইনা চঙশিনবা হায়নসু ৱারেপ তানখি হায়রি।

মিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): অহুল্লকশুবা নিঙোম্বম লৈরেঞ্জাও সেন্টর ওফ পূংগী মনা পীগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোক্লে হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি ডা. এন সী শান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীওইশিং অদুদি, গুরু নিঙোম্বম লৈরেঞ্জাও নীংশিং মনাদা লাংমৈদোং মখা লৈকায়দগী লৈশাংথেম তেম্বা, গুরু নিঙোম্বম ইবোবী নীংশিং মনাদা ক্ষেত্রিময়ুম মঙ্গি, শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়দা পীরগনি। মনা অসি পূংগী লমদা মশক থোকপা থবক তৌরিবা মশাগী চহী ৮০ গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদা পীবনি। মনা অসি কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৫ দা খোংমন জোন-৫ দা লৈবা সেন্টর অসিদা পীরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): রাজস্থানগী আজমিরদা লৈবা মহারাসি দয়ানন সরস্বাতি য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা এম এ সী এগজামিনেসন ২০১৭ তা য়াইরিপোক খোইরোম মথক লৈকায়দগী য়ুথ দিভলপমেন্ট কম্মিটি খোইরোমগী এদভাইজর ওইরিবা সলাম কুমার অমসুং সলাম ওংবী ইতোবী লৈমগী মচানুপী অহল সলাম প্রোমিলানা ফর্ষ্ট ক্লাস ফর্ষ্ট তাদুনা গোল্ড মেদল লৌরকপদা কম্মিটি অসিনা হরাওবা ফোঙদোক্লি হায়না কম্মিটি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মহাক্কী গোল্ড মেদল থা অসিগী ৩ দা পাঙথোকখিবা কনভোকেসনদা খুৎশিন্নরকখি হায়নসু মখা তারি।

শিথরক্লিবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎনবা, চাউখৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে : ভোরোত

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): শিথরক্লিবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎপা অমদি হৌজিক হৌজিক চথরিবশিং অসিসু হেন্না চাউখৎনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়না আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার ওইরম্বা পি ভোরোতনা ফোঙদোকখ্রে।

হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টর, পোরোম্পাৎকী ৪৭রকশুবা ফাউন্দেসন দেগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা পি ভোরোতনা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা আর্ট ফোর্মশিং য়োকখৎনবা ঐখোয়না থৌদাংশিং লৌবা তঙাইফদে। শিথরক্লিবা আর্ট ফোর্মশিং অসি হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনবা তাই। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা আর্ট মখল কয়া অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা অখন্নবা মীৎয়েংশিং চঙবা তাই। মালেমদা মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা মফম অমনি হায়না খঙনরিবনি। লমদমসিগী আর্ট ফোর্ম মখল কয়া অমা লৈরি। আর্ট ফোর্মশিং অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা চপ চাবা থৌদাংশিং লৌমিন্নসি। হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরনা আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানিংঙ্গই ওই। সেন্টর অসিনা পীক্লিবা অঙাংশিংদগী হৌরগা আর্টকী লমদা লমজিং-লমতাকপীদুনা শেমগৎপদসু থৌদাং লৌরিবনি।

কলচরগী লমদা চাউখৎনবা হোৎনবদা তঙাইফদনা লৌখৎপা য়াবা থৌদাংশিং লৌখৎমিন্নসি। মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদসু তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া লৈরি। স্কিমশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা হোৎনবা য়াবশিং হোৎনসি। মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী লৈজরক্লবা আর্ট ফোর্মশিং অসি নীংথিনা য়োকখৎতুনা তুং কোয়না লৈহৌনবা হোৎনসি। মালেমদা লমদমসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী ফজরবা মশক অসি হেন্না হেন্না খঙহন্দুনা লম অসিদা থোইদোক হেন্দোকপা মফম অমা থমসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী সেক্রেটরি এন হরিমতিনা হায়খি, হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী ৪৭রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লি। সেন্টর অসিনা অঙাংশিংদগী হৌরগা কলচরগী লমদা তাকপী-তন্বীবদসু থৌদাং কয়া লৌরি। ঙসিগী থৌরম অসিদসু অঙাং কয়ানা সোলো দান্স উৎকনি। গেষ্ট আর্টিষ্ট কয়ানসু সোলো দান্স উৎকনি। সোলো দান্স অসি হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা হরিমতি দান্স এন্দ ম্যুজিক সেন্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট নাওরেম মনিশ্যামনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - মরিনি চনবা

নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *ইঙাগী থানিল* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ১৬ শুবা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি মরিনি চনবদা কমখ্যা সঙ্গীত মন্দলগী ইঙাগী থানিল হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

শুমাং লীলা ফোর হ্যুমেনিটি হায়বা থীমদা পাঙথোকপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী মরিনি চনবদা উৎখিবা ইঙাগী থানিল হায়রিবা লীলা অসি ইবোচানা ইবনি। লীলা অসিবু লমজিং-লমতাকপা হিয়াং লুখোইনি। এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ভুমেশ্বরনি। ঈশৈ ময়েক্তা য়ু গান্ধীনি।

লীলা অসিগী ৱারীদা মমা-মপাগী অমত্তা পোকচবী মচানুপী আই পি এস পাস তৌদুনা এস পি ওইনা লাকখি। অপোকপা মপা ডোক্তর ওইদুনা অচাউরম পান্বা মীশক অমা ওইনা লৈরকখি। ডোক্তরগী নুপী ওইজরবসু লান্না য়েংবা মীৎয়েং অমনা চুশিন্নবা ঙমদ্রবা পুন্সি মহিংনা হীরম খুদিংদা ৱাখল্লোন তীন্নদে। মসিনা মরম ওইরগা মচানুপী এস পি ওইরবী মীশক অমবু পুলিস ইন্সপেক্টর অমদা থাজনবা হোৎনৈ। মচানুপীনা য়াদবদগী ইন্সপেক্টরগা মান্নরগা লাল্লোং কয়া য়াৎনবা হোৎনরকই। অদুবু য়াওল্লোয় ওইদুনা মীরোৎ ওইখ্রবা নুপাগা ৱাখল তামিন্নবদগী লক্ষ্মী মশক খঙলকপদা য়ুম্ফম ওইবা লীলানি।

লীলা অসিদা নুপাগী শক্তম লাংলিবশিংদি, ডা. শরততা হিয়াং লুখোই, কম্পাউন্দরদা ভুমেশ্বর, থৱালদা সাগর, সনাতোম্বদা দিপক, নুংশিথোইদা দেবকান্তা, মৈরাবাদা অপিন অমসুং কেংবদা তুতুনা শক্তম লাংখি। নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা, রাধাদা অমরজিৎ, থম্বালদা বসন্তা, থানিলদা হেম, সন্ধ্যাদা মার্টিননা শক্তম লাংখি। ঈশৈ-নোংমাইদা নুপা খোঞ্জেলদা রবি, নুপী খোঞ্জেলদা থোইনা, তবলাদা হেমন্তা, গিটরদা বোদে, বাঁসিদা দিলপা, ম্যুজিক্তা হেমন্তা, কি-বোর্দতা সুরেশ, পেদ দ্রমদা লুখোইনা থৌদাং লৌখি।

দিসেম্বর ২৫ লীলা লৈরোই, দিসেম্বর ২৬ কী নুংথিল পুং ২ তাবদা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা সনা লৈবাক নাচোম আর্টিষ্টকী *লৈক্রেক্তা লৌউবা* উৎকনি।

এল সোটিনকুমারবু ফাজিন্দুনা থম্বা য়ানিংদে : লোকল কাউন্সীল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারবু ফাজিনবা য়ানিংদে হায়না কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী লোকল সেক্রেটরি ডা. কে ঐচ থোইবনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খাবিদা ফমখিবা সী পি আই লোকল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ মীফম্না পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরিবু ফাজিন্দুনা থম্বা অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। থা অসিগী ১৯ দা সী এ এগী মায়োক্তা চথখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক মতুংদা ফাজিনখিবনি। লৈঙাক্কী থৌওং অসি মরম চাদনা নম্ফুদা মরাল শীরগা থৌমীশিংবু ওৎ-নৈনবা হোৎনরকপনি হায়না কন্দেম তৌই। কোন্থৌজম লোকল অসিগী থৌমী তরুকসু নম্বোল কৈথেলদা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌবা য়াওবদা নম্বোল পুলিসনা বিষ্ণুপুর পুলিসকী লমজিং মখাদা অকনবা এক্ট পানশিন্দুনা ফাজিনবা অসি লোকল অসিনা অফবা থৌদৌনি হায়না লৌদে। মতুংদা অমুক হন্না তৌদনবা অমদি লৈঙাক্লা লৌখৎখিবা কেসশিং অদু খুদক্তা হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরি। মীফম অদুনা হন্দক্কী ষ্ট্রাইক অদুদা ফাজিল্লুবা কমরেদশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীল অসিনা ফমখিবা মীফম্না লৈঙাক্লা চথরক্লিবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা লেপ্পবসু ৱারেপ লৌখি। সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমার অমদি ফাজিল্লুবা কমরেদশিংদা পাল্লিবা কেসশিং অদু হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরি। সী এ এবু চৎনহন্দনবা খোঙজং চথরকপদা মীয়াম পুন্নমক্লা লিংজেল মান্ননা চথমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

‘কৈরাও খুলগী অয়াবা য়াওদনা মাসি কমপ্লেক্সতা ঈশৈ-নোংমাই, হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপা য়ারোই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কৈরাও খুলগী অয়াবা য়াওদনা মাসি কমপ্লেক্সতা ঈশৈ-নোংমাই অমদি হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপা য়ারোই হায়না নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি এন জি অমুখোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৪গী নুমীদাংদা কৈরাও বিত্রদা লৈবা মাসি কমপ্লেক্সতা থোকখিবা অদুগুম্বা থৌদোক অদু মখা তানা থোক্তনবগীদমক কমপ্লেক্স অসিদা এদভেঞ্চর স্পোর্টসকা মরী লৈনদবা হরাও-কুম্মৈ, ঈশৈ-নোংমাই পাঙথোক্লমদাইদা কৈরাও খুলগী মীয়ামগী অয়াবা লৌরগা পাঙথোকপা হায়না মাসিগী ওথোরিটি অমসুং কৈরাও বিত্রগী বোদি ওইরিবা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা য়ানবা পুরকখ্রে। থা অসিগী ১৪ দা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থকপ্রা হায়বা চিংনবদগী কৈরাওগী মৈরা পায়বী অমসুং ক্লবনা চৎলগা দ্রাইভ চথরুবনি। অহল-লমন ময়াম্না এদভেঞ্চর স্পোর্টস চাউখৎহন্নবা কৈরাওগী মফম অসি কথোক্তুনা মাসি কমপ্লেক্স অসি শাখিবনি। মফম অসি চীংনুং ওইবা খুলদগী খরা লাপ্পা লৈবনা মাসি কমপ্লেক্সতা এদভেঞ্চর স্পোর্টসকা মরী লৈনদবা হরাও-কুম্মৈ, ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা কয়া তৌদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মমাঙথক্তা থেংনখি। মসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদা চিংনবা অমদি খোয়রাং খোয়শাওনবগী ফীভম লৈহল্লকপা কুইরে। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক থা অসিগী ১৬ তা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্ম্যুনিটি হোলদা খুলগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মাসিগী ওথোরিটিগা খুলগী মীয়ামগা হীরম খরদা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে।

পাউ ফাওনহৌদবদগী নুমীৎতুগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা মাসি কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা ঈশৈ-নোংমাই অমদি অতৈ প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তিরৈঙৈ মমাঙদা মাসি ওথোরিটিনা কৈরাও খুলদা মতম চানা পাউ পীদুনা খঙহনবা অমসুং অয়াবা লৌবা হায়নসু য়ানবা পুরকখি। মাসি ওথোরিটি অমসুং কৈরাও খুলগী মীয়াম মতেং পীনদুনা লমদম অসোমদা টুরিজম সেক্তর, এদভেঞ্চর স্পোর্টসনচিংবা চাউখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা হায়নসু য়ানখি হায়না কম্মিটি অদুগী সেক্রেটরিগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

সী এ এ য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা ফাজিনবা কন্দেম তৌই : এ আই এস এফ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): সী এ এ য়ানিংদবা ফোঙদোকপদা ফাজিনবগী থৌওং চথুবা য়ানিংদে হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এন রেবিদাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এ আই এস এফ মণিপুরগী গাইদলাইন পীরম্বা অমদি মান্নবা খুন্নাই ওইরক্লবা হোৎনজরিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ওইরিবা লাইশ্রম সোটিনকুমারবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ফাজিল্লিবসি এ আই এস এফ মণিপুর কাউন্সীলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। লক্ষ্মী, লৈকায়গী হোল অমদি কৈথেল শঙনচিংবদা ঈংনা তপ্পা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌজবা নুপী-নুপা মীওই ১৭ পু মরম চাদনা পুলিসনা ফাজিনবা অসিসু য়ানিংদে। চমজরবা অহল-লমনশিংদা আই পি সীগী সেক্সন কয়া পানশিনবীবা হায়বসিসু লৈঙাক্কী মথোং হুত্তবা থৌশিলনি। মণিপুরদা মীতোপনা লান তাবগা চপ মান্ননা লৈরিবনি।

আই এল পি লৈত্রিঙৈদা মণিপুরদা মীওই লাখ খরা চঙশিন্দুনা লৈখ্রবনি। মীয়াম্না হোৎনবদগী মীতোপ চঙবা খরমখৈ থিংবা লাক্লরি। অদুবু অৱাবা অমনি। আই এল পি চৎনরে হায়রবসু সী এ এগী মতেংনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবতা ঙাইরিবা মীশক কয়া মণিপুরগুম্বা শেল তানফম লৈবা মফম অসিদা চঙলক্তুনা মণিপুরগী মীয়ামদা অৱাবা পীরগনি খঙদুনা লৈরবনি। মণিপুর মীয়াম্না সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট অসি থিংনবা চঙশিল্লি। ইন্দিয়া শিনবা থুংনা এ আই এস এফকী থৌমী কয়ানা থেংনরি। সী পি আই ষ্টেট সেক্রেটরি থাদোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এন আর সী হৌদোক্লবা লৈঙাক্লা খন্নদ্রি হায়বা পি এমগী ৱারোল মীয়ামদা নমথাক তৌবনি : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): এন আর সী হৌদোক্লবা লৈঙাক্লা খন্নদ্রি হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ৱারোল মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ওগষ্ট ২২ দা সী এ এ শৌগৎতুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী অখন্নবা মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক্কী ওইনা লৈবাক শিনবা থুংবদা এন আর সী হৌদোক্লবা ৱাফম লৈঙাক্কী এজেন্দা নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা অদু সী পি আইগী সেন্ট্রেল সেক্রেটরিএটনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। পার্টিগী সেন্ট্রেল সেক্রেটরিএটনা দিসেম্বর ২৩ দা প্রেসতা থাদোকপা চেরোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোলদু সী এ এ অমসুং এন আর সী য়ানিংদবা উৎতুনা অকন্নবা ঈহৌ, খোঙজং কয়া চঙশিল্লিবশিং শিবা অমসুং অশোকপা মশিং য়াম্লক্লবা মতুংদনি। মহাক্কী ৱারোল অসিদি মীচম মীয়ামগী অৱাবা খঙশিন্নদবা অমদি মশিং য়াম্বগী পাৱর লান্না শীজিন্নবনি। মহাক্না মীয়ামগী ভোটনা খল্লবা ষ্টেট লৈঙাক অমসুং লোক সভাগী মেম্বরশিংদা সী এ এ অমসুং এন আর সীগী মরমদা নীংথিনা খঙহনবা ঙমদ্রি।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীদা সী এ বি পাস তৌনবা অমসুং এন আর সীগী খন্ন-নৈনখিবা অদু মহাক্কী ওইবা ৱারোল অমফাওবা ফোঙদোকখিদে। মহাক্কী মহুৎ শীলহন্দুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহবু সী এ বি অমদি এন আর সী তঙাইফদনা চৎনদবা য়াদবগী মরমদা ৱা ঙাংহনখি। পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম্দা অমিট শাহনা ষ্টেট শিনবা থুংবদা এন আর সী হৌদোক্লবা ফোঙদোক্লবদগী ষ্টেট কয়াদা ঈহৌ, খোঙজং চঙশিল্লকপদগী ষ্টেটকী লন-থুম চাউনা মাঙহনবগী মথক্তা মরাল লৈতবা মীওই কয়া পুন্সি মাঙখিবনি। মরম অসিদগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এন আর সীগা মরী লৈনবা অচেৎপা ফিরেপ মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়বা সী পি আইনা দিমান্দ তৌবগা লোয়ননা মশিং য়াল্লবা মীয়াম্না পাম্নদ্রবা সী এ এ খুদক্তা হন্দোক্লবা এন আর সী অমসুং নেসনল রেজিষ্টার ওফ পোপ্যুলেসন চৎনহন্দনবা মখা তানা থেংনখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রাস উৎলুগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ফোরৱার্দ আর্টিষ্ট সেন্টর এন্দ কেম্পকী মেম্বর ১২ না শাবা টিম অমনা থা অসিগী ২৯ দগী ৩১ ফাওবা কেরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাভারত্তা উৎসবতা বসন্ত রাস উৎলুগদৌরি। ফেষ্টিভেল অসি বিলাসোম হিন্দুমথা কনভেন্সন ট্রষ্টনা শীনবনি হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি আর কে খোগেন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

টিম অসি এন ঈ জেদ সী সী দিমাপুরনা স্পোন্সর তৌবনি। কলচরেল টিম অসি সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি আর কে খোগেন্দ্রনা লুচিংগনি। কেরলাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা কলচরেল টিম অসিনা বসন্ত রাস উৎলুগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নেসনল কঞ্জ্যুমর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কঞ্জ্যুমর ক্লব মণিপুর অমদি য়ং ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন ৱাংখৈ দুর্গা পূজা লম্পাক ৱিমেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা ঙসি ৱাই ভি ও কম্ম্যুনিটি হোল ৱাংখৈ দুর্গা পূজা লম্পাক্তা নেসনল কঞ্জ্যুমর দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টর রঞ্জন য়ুম্নামনা চীফ গেষ্ট অমদি কঞ্জ্যুমর ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। দব্লিয়ু দি পি এল দব্লিয়ু দব্লিয়ু ও, ৱাংখৈগী প্রসিদেন্ট নহাকপম ওংবী সুনন্দ অমদি ৱাই ভি ওগী প্রসিদেন্ট ৱাই হেমন্তনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা রঞ্জন য়ুম্নামনা হায়খি, ঈ পি ও এস দিভাইসকী মখাদা ফায়র প্রাইস সোপশিংদা পি দি এসকী আইটেম য়েন্থোক্লবগী থৌরাং পায়খৎলক্লি। বিনিফিসরিশিংগী কার্দশিং উৎলগা চেঙ পীবগী মহুৎতা বাইওমেট্রিকনা ওথেন্টিকেট তৌবা মেছিননা য়েনগদবা সিষ্টম অমনি। চীফ মিনিষ্টরনা থা অসিগী ১৬ তা য়েন্থোকপা হৌখি। ষ্টেট অসিগী মফম খুদিংমক্তা কভর তৌনবা ঈ পি ও এস দিভাইস ১৬০০ রোম য়েন্থোক্কনি। লেমহৌরিবা ৭০০ লোমসু মথং থাদা য়েন্থোক্লবা প্লান লৈরি। কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্টনা রাইট কয়া পীরি। দিষ্ট্রিক্ট ফোরম কয়াসু লিংখৎলে। ষ্টেট কম্মিসনসু লিংখৎলে। মেম্বরশিংগী থাক হেনগৎনবা অমদি সেলেরি এল্লাওৱেন্স অসিসু লৈঙাক্কী দেপ্যুটি সেক্রেটরি রেঙ্কতা ফংলিবা তোলোপ পীবা হৌরে। ষ্টেট কম্মিসনগী মেম্বরশিংগী ষ্টেটসনা এদিসনল সেক্রেটরিগী রেঙ্কতা পীবা হৌখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্টকী মতাংদা কঞ্জ্যুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল ফোরমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. সী ঐচ নরেন্দ্রনা হায়খি, কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট লৈখ্রে। অনৌবা লো কয়াসু শেম্লি। কঞ্জ্যুমর হায়বসি পোৎচৈ লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্নি। রাইট টু চোইস, রাইট টু সেফ্টিনচিংবা কয়া লৈরি। কঞ্জ্যুমরশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিংগী মতাংদা খঙমিন্নবা তঙাইফদে। কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্টকী মখাদা লৈরিবা কয়া অদুসু খঙমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল জি তোম্বসু ৱা ঙাংখি।

কঞ্জ্যুমর রাইটকী মরমদা খঙহৈরবা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা ৱাফম কয়া থমখি। ফংফম থোকপা রাইটশিংগী মতাংদা খঙহনখি।

কঞ্জ্যুমর রাইটস দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): পিপল এদভান্স সেন্টর (পি এ সী)না ঙসি এস ঈ জি কনফরেন্স হোলদা নেসনল কঞ্জ্যুমর রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সেন্টর অসিগী সেক্রেটরি সী ঐচ প্রিয়োকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চহী অসিগী থীমনা টর্নিং পোইন্ট ফোর ইন্দিয়ন কঞ্জ্যুমর- দি কঞ্জ্যুমর প্রোটেক্সন এক্ট হায়বা অসিনি। থৌরম অদুদা কঞ্জ্যুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল ফোরমগী মেম্বর এল খুরাই লৈমা, সী দি আর এফ বিষ্ণুপুরগী মেম্বর দেবানন্দ, এস সাধনা, সী দি আর এফ থৌবালগী মেম্বর এ সী নেত্রজিৎ অমদি এল লক্ষ্মীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। কঞ্জ্যুমর রাইটকী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোক্লখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

হেল্‌থ মিনিষ্টরনা চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংগীদমক মিনি বস খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কবিথা চিলদ্রেন হোম, মন্ত্রিপুখ্রি ইম্ফাল ইষ্টকী অঙাংশিংগীদমক মিনি বস অমা হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা খুৎশিন্নখ্রে।

কবিথা চিলদ্রেন হোমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মিনি বস অদু খুৎশিন্নখি। কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি স্কিমগী মখাদা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টনা মিনি বস অদু স্পোন্সর তৌরকপনি। খৃষ্টমাসকী মাঙওইননা মিনি বস অদু কবিথা চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংদা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্‌থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, খৃষ্টমাসকী মাঙওইননা পাঙথোকপা ঙসিগী থৌরম অসি য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমা ওইরগনি। এ দি সী সেনাপতি অমসুং এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী দ্রিঙ্কিং ৱাটর প্যুরিফাইয়িং টেক্নোলোজি অমদি মোচ্যুরি ভেনগীদমক এম ও য়ু অমসু খুৎয়েক পীনখ্রে। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা মীয়ামগীদমক মতেং কয়া পীরি। অসিগুম্বা তেংবাং অসি য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই। ফুরুপশিংগী মরক্তা খেন্নবা লৈতে। ঐখোয় খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুন্দুনা তুংগী য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। হেল্‌থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী লমদম অসিদা অনা-লায়েংগী লমদা হেন্না খুম্মাং চাউশিনহন্নবা খোঙথাং কয়াসু পায়খৎলক্লি। মীওইবগী পুন্সি হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা কোর্পোরেট সোসল রেস্পোন্সিবিলিটিগী মখাদা মীয়ামগীদমক মতেং পাংবীরকপগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা টি সী এন আইগী দিরেক্টর সী অর্থর, এ এ আই (এন ঈ আর) গুৱাহাতিগী রিজনল এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর সঞ্জিব জিন্দাল, হেল্‌থ দিরেক্টর কে রাজো, এ এ আই ইম্ফালগী দিরেক্টর সেন্থিনসু শরুক য়াখি।

চীং-তম অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা কোএগজিষ্টেন্স প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): চীং-তম অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা পিছ ফুল কোওগজিষ্টেন্স প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ২১ দা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কসোম খুনৌগী মীটিনশঙদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সীল ইম্ফালগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সী ঐচ বসন্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ২১ দা মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি কাউন্সীলনা শীন্দুনা চীং-তম অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকখিবা পিছ ফুল কোএগজিষ্টেন্স প্রোগ্রাম অদুদা মপি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এন বিমোল, হাওমি রিছার্স গিল্ডকী চ্যেরমেন রোবিন সংলাই অমদি কসোম খুনৌগী নিংথৌ এস আর নিংহোরনা ময়াই তাংবল লৌখি।

থৌরম অদুদা মপি কাউন্সীলগী মায়কৈদগী খৃষ্টমাসকী মাঙওইননা য়াইফ-পাউজেলগা লোয়ননা অচম্বা খুদোলপোৎ তমখি। খোইহি হাইনবা মেছিন, চেঙ বেগ অমা, প্লাষ্টিক দম্বুর অমদি ঈশিং টেঙ্ক অমা মপি কাউন্সীলগী প্রসিদেন্টনা কসোম খুল্লেনগী নিংথৌদা খুৎশিন্নখি।

পনবা য়াবদি, হায়রিবা পিছ ফুল কোএগজিষ্টেন্স প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না মপি কাউন্সীলগা ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ এদ্যুকেসনল ওর্গনাইজেসন, ৱাংবলগা খুৎশম্নদুনা দি দি য়ু-জি কে ৱাইগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমসু কসোম খুল্লেন অমদি কসোম খুনৌদা পাঙথোকখি। কসোম খুনৌ ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৭৫ রোম চৎলগা লৈবা য়ুম্নাক ৩০ রোম লৈবা তাংখুলশিংনা খুন্দাবা লিরবা খুল অমনি। খুল অসি কসোম খুল্লেনদগী চৎলগদি কিলোমিটর ৫ রোম ওই। মীওইবনা খুন্দারকপা মতমদগী চঙদুনা লাক্লবা ঈশিং খুল অসিদা য়াম্না মথৌ তারি। অয়ুক অঙনবদগী হৌগৎতুনা অঙাং, অহল খায়দনা কিলোমিটর ১ রোম লোক্তা কুমথরগা ঈশিং হোন্দুনা হিংনবগী লানফমদা অৱাবা চৈথেং লৈহৌরি। মফম অদুদা ঈশিংগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরি। ঈশিংগী খুদোংচাদবা লৈবনা মরম ওইরগা মনা-মশিং থাদুনা পোত্থোক-চাথোক পুথোক্কদবা অদুসু পুথোকপা ঙমদ্রে। ঈশিং মরাং কায়না ফংলবদি মনা-মশিং নীংথিনা থাদুনা পোত্থোক পুথোকপা য়াবনি। লমদম অসোমদা থক্লবা ঈশিংগীসু অৱাবা কয়া থেংনরি হায়নসু খুল অদুগী নিংথৌ এস আর নিংহোরনা পাউদম্লকখি।

কসোম খুনৌগী মীয়াম্না ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি পব্লিক হেল্‌থ এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙদুনা খুঞ্জাশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবীনবা মপি কাউন্সীলগী মায়কৈদগী দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিল্লি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎলিবা ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা খৃষ্টমাসনা লাকপদা মপি কাউন্সীলগী মায়কৈদগী য়াইফ-পাউজেল পীরি। ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm

MATRIC TOPPERS OF 2019

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01